## ঙসিগী রাশি ফল

মেষ : ফম হোংদোক হোংজিন তৌবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
বৃষ : মচা, মশু, লল ফংবা শেল চৎপা নুমিৎনি।
মিথুন : পামদবা মফমদা ফম হোংবা নুমিৎনি।
কর্কট : অনৌবা মরুপ ফংবা মিংচৎ ফংবা নুমিৎনি।
সিংহ : পন্দুনা লৈরকখিবা শেল ফংবা নুমিৎনি।
কন্যা : ৱানোম্বা মায় পাকপা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
তুলা : পামদবা মরুপ্না য়ুমদা থুংলবা নুমিৎনি।
বৃশ্চিক : থবক্কী অনৌবা পাউ তাবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
ধনু : লিলা, ড্রামা শান্নবা য়েংবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
মকর : হকচাং চবিৎ চবিৎ তৌবা নুমিৎনি।
কুম্ভ : তুশিনবা পুক নুংঙাইতবা নুমিৎনি।
মীন : গাড়ীগী থবক্তা শেল য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি।

## নিংঙোল চাক্কৌগনি

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* ওক্টোবর ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী চাওরবা কুম্মৈ নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরম অসিদা মবুং-মৌপ্পা কনা লৈজদ্রবা নিংঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম সলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপ শিংজমৈ চীংঙামখানা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি।

হান্নদগী পাঙথোক্তুনা লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিদা লৈমরোল লমজিংকোল ইম্ফাল ইষ্টকী অচানবীগেদা লৈবা নুপীমচাশিং অমদি অহল ওইরবা হোম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা লুপ অসিনা অঙম্বা খুদোল তম্বগা লোয়ননা চাক্কৌগনি। থৌরম অসিদা চৎথোক চৎশিনগীদমক লুপ অসিনা শিন্দুনা গাড়ীদা থিন্দোক থিনজিন তৌগনি। কনাগুম্বনা অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মোবাইল নম্বর ৯৬১৫২৩৯৩৬৮ অমদি ৮২৫৮০৪৮১১৬ তগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* ৱুমেন স্কিল দিভলপমেন্ট সেন্টর (দব্লিয়ু এস দি সি) ৱাংখেম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা সেন্টর অসিনা নুমিৎ ৩ নিগী ওইবা খোঙজোম পর্বা ফেষ্টিভেলগী থৌরম লোইশিনখ্রে।

থৌরম অসি ককচিংতাবম সুরজমনি শর্ম্মগী মান্দপ্তা থৌবাল ৱাংখেমদা ওক্টোবর ৬ কী নুংথিল পুং ৪ তাবদা লোইশিন থৌরম পাঙথোকখ্রে। ফেষ্টিভেল অসি দিরেক্তোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

## থৌরম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* মোহোন থিয়েটর ইম্ফাল মুতুম ওংবী থম্বালমচা দেবী মেমোরিয়েল ত্রষ্ট কৈশামপাৎ মুতুম লৈকাই অনিনা শিন্দুনা ক্লাকৈথেল এল মনিগী শঙ্গাইদা নত সঙ্কির্তন কলাকার শরুক ইরমবী শ্রী মতি মুতুম থম্বালমচা দেবীগী ৭ লক শুবা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কে রতন নতকী কলাকার, এল রোমীলা দেবী অনিগী মফমদা ত্রষ্ট অসিগী ভি পি উপেন্দ্রোনা লৈখিদ্রবা অপোকপীগী মিংদা কৎচবা খুদোলপোৎশিং তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## মেরা হৌচোংবগী মপাও

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* চহী খুদিংগী লেপ্তুনা হৌ খুনাই ইনাৎ থৌশিল লুপ্না শিন্দুনা মেরা হৌচোংবগী থোরম হন্দক চহীদগী কবুই, মরিং, তাংখুলনা খুন্দাবা খুলদা পাঙথোক্তুবদি লৈবাক্কী অৱাবা তাগনি হায়বা লৈবনা চহী অসিগী হৌচোংবগী থৌরম কৈরাও ৱাংখেম, ঙারিয়ান চীংয়াংদা পাঙথোক্তুনা থৌনিখি।

থৌনিখিবা অদুগী মপাওদি, তুরেল ৱাংমগী লৈখোম থোকপা লৈতান্দা চৎপদা তিনফানা চিকপদগী ঈ খক্তবদু চেনা মেন্দুনা ঈ খকখ্রে। তুরেলগী ইচেল লাম্বোকপদা তিনফা মচা অচৌবা ময়াম চিকপবু তিন থাদুনা লৌথোকখ্রে হায়না লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ি য়ুনিয়নগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট য়ুম্নম রানা প্রাতাব নিয়ু দিল্লিগীদমক্তা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মহাক্কী খোঙচৎ অসি ওক্টোবর ১৩ দা দিল্লিগী কারকাদুম্মাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান নেশ্নেল ইলেক্ট্রিসিটি ৱার্করস ফেদরেসন অমদি পি এস আই অনিনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা শরুক য়ারুগনি। পৱার সেক্তরশিংদা ইনর্জি পুথোক্লবা অমদি মীয়ামদা পৱার সপ্লাই মপুং ফানা তৌনবা থাদরিবা শেনফমশিংগী কান্নবা অমদি হৌজিক ফাওবদা কয়াম য়াম্না থাদখ্রবা হায়বদুগী ৱাফমদা খন্নগদবা মীফমনি হায়রি।

## মতিক চাদবা জেদ ই ও লৌথোকউ

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* মতিক চাদবা জেদ ই ও ইন-চার্জ কোইরেং লৌথোক্তুনা অনৌবা ফুল ফ্লেজেদ জেদ ই ও অমা থম্বীনবা মেমোরেন্দম অমা এদুকেসন মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে হায়না ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচরস এসোসিয়েসন জোনেল ওফিস ৱাঙ্গোইগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, জোনেল এদুকেসন ওফিস ৱাঙ্গোই, জেদ ই ও ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা আর য়াংশোরাং কোইরেংনা মতিক চাদবদগী মথোং হুক্তবা থবক কয়া মরুম ওঝাশিংদা চৎথরে। মহাক্না জেদ ই ও ওইনা লৈবদগী ষ্টেট একাদমি ওফ ত্রেনিং তাকয়েলপাৎতা ত্রেনিংসু তৌরমদনা স্কুল হেদ মাষ্টরশিংবু ত্রেনিং য়াওবা চৎলু হায়রি। অসিগীদমক হেদ মাষ্টরশিংদা তেলিফোনগী খুৎথাংদা হরাসমেন্ট কয়া পীখি। ওফিস অসিদা মহাক্না সবোর্দিনেট ষ্টাফশিংদা অচান মীরান নাইবা মীৎয়েং চৎথরি।

মহাক্না জেদ ই ও ওইরকপদগী মরুওইনা ইন্সপেক্সনগী থবকশিং ফেল ওইরে। এস এস এ অমদি জেদ ই ও গী থবকশিং কনাগুম্বা অমগী ইন্সত্রক্সন্দা মথোং মরম খঙদনা চৎথদুনা লৈরে। এস এস এ গী ফমশিং মফম চানা শিজিন্নবা ঙমদ্রে। ওফিস অসিদা এল দি সি অনিখক্না পুরি। অৱাৎ অপাশিং অসি য়েংশিনদনা লৈরে। মহাক্না ওঝাশিং খক্তা নৎতনা আই এ এস, দাইরেক্তর, দিপ্যুটি সেক্রেটরিশিংবু উশিৎ থৌওইদবা ৱাঙাং ঙাংদুনা লৈরে। মহাক্না ওঝাশিংগী এসোসিয়েসন প্রসিদেন্ট ফাওবা থৌশাদে। ওঝাশিংগী অচৌবা ফঙ্কসন অমা ওইরিবা ৱার্ল্ড টিচরস দে ওক্টোবর ৫ গী ফঙ্কসন্দা ইনভাইটেসন ফাওবা য়াওবগী দরকার লৈতে হায়না ইনভাইটেসন ফাওবা লৌখিদে। ৱার্ল্ড টিচরস দে মশক খঙদবা জেদ ই ও অসিবু করম্না থবক পুহনগদৌরিবনো হায়না মেমোরেন্দম অদুদা পনখি হায়রি।

## কাউন্সিল অমদি বোর্দকী ৱাথোক্তা লেকচররশিংগী ৱাফম মিনিষ্টরদা থমখ্রে

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী ফম পায়বা মীহুৎশিংগা মণিপুর সরকারগী এদুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোগা হকথেংননা উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন অমদি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসনগী চিয়ারমেন শিন্দোক শিনজিনগী মতাংদা প্লাস টু এদুকেসনগী তাকপী তম্বীবগী হকথেংননা দাইত্য লৌরিবা ওঝা লেকচররশিংগী এসোসিয়েসনগী ওইবা মত অমা ফোঙদোকপা রি-প্রজেন্টেসন অমা এদুকেসন মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে হায়না ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, লৈবাক মীয়ামগী মরক্তগী অমদি লোইশঙ অনিগী কর্ম্মচারিশিংগী মরক্তগী তোঙান তোঙানবা মত লৌজরবসু মণিপুর সরকারনা প্রোব্লেমশিং অসি অথুবা মতমদা লৈখাই তাহন্দুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা এসোসিয়েসন অসিনা হায়র সেকেন্দরি লেকচররশিংগী মত অদুসু থমখিবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি ৩৯ দা হাংদুনা লৈরিবা অদুগা থাখরা অসিদা হাংলগদবা প্রিন্সিপাল, ভি পি শিং হাপ্পবা গভর্নমেন্টনা চৎথরিবা প্রোসেস অদু অথুবা মতমদা লোইশিল্লক্কবা এসোসিয়েসন অসিনা থল্লক্লি।

মখা তানা এসোসিয়েসন অসিনা ফোঙদোরক্লিবদি, হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন হেন্না ফগৎনবা ৱাফমদা মণিপুরগী মপাল লমদা প্লস টু ফাওবগী মহৈ মশিং তম্বা চৎনরিবা মহৈরোইশিং অসিগী ওইনা পোরম য়াৎতুনা মপাল লমদা লৈরিবা মমিং লৈরবা মহৈলোইশঙশিংগুম ওইহন্নবা হোৎনবদা অৱাৎপা লৈরিবা খুদিংমক ৱাৎহন্দনবা সরকারনা হোৎনবীয়ু। মণিপুরগী মহৈলোইশঙশিং অসিদা অনৌবা মখলগী মোর্দন এদুকেসন চপ চানা ফংহনবা ঙম্নবা ৱার্ক আউট তৌরবা ৱারোলশিং য়াওবা সরকারদা তকশিল্লগনি। দরকার লৈরবদি মহৈরোইশিংগীদমক খন্দুনা সেমিনার অমদি সিম্পোজিয়ম কয়া মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমশিং অসিদা মণিপুরগী অখং-অহৈ কয়া শরুক য়াহন্দুনা মহৈরোইশিংগীদমক হোৎনগনি হায়রি।

## অনা লায়েংগী থবক মায় পাকহনবদা ডাক্তরশিংগীসু চাওরবা থৌদাং লৈ: *চিফ সেক্রেটরি*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* সরকারনা পায়খৎলকপা অনা লায়েংগী থবক থৌরমশিং মায় পাকহনবা হায়বসি ডাক্তরশিংগীসু চাওরবা থৌদাং লৈ হায়না মণিপুর সরকারগী চিফ সেক্রেটরি পি সি লোমকুঙানা হেলথ দিপার্টমেন্ট মণিপুর, মণিপুর ষ্টেট মেন্টেল হেলথ ওথোরিটি, ইন্দিয়ান সাইক্যাত্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাত্রিক জেনিমসনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ২২ শুবা ৱার্ল্ড মেন্টল হেলথ দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মালেম পুম্বদা পাঙথোক্লবগুম চহী অসিগী ওইনা 'লিভিং ৱিথ শিজোফ্রেনিয়া' হায়বা থিমদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চিফ গেষ্ট ওইনসু শরুক য়াখিবা চিফ সেক্রেটরি পি সি লোমকুঙানা ডাক্তরগী শিনফমদা লৈরিবশিংনা মখোয়গী দ্যুটিদা চৎনিংদবগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। মণিপুরগী খুঙ্গংগী জগাশিংদা লিংখৎপা প্রাইমারি হেলথ সেন্টর, কম্যুনিটি হেলথ সেন্টরনচিংবশিংদা মেদিকেল ষ্টাফশিং অয়াম্বনা নিংথিনা লৈতবনা প্রজাশিংনা অনা লায়েংদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অফবা সমাজ অমা ওইহনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক মশা মউ ফহনবা য়াম্না মথৌ তাই হায়রদুনা ডাক্তরশিংনা অনাবা মীওইশিং লায়েংবা মতমদা হিদাক খক্তা নৎতনা ফজবা ৱাহৈ শিজিন্নবীদুনা অনাবশিংবু পেলহন্নবা হোৎনবসু য়াম্না মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী ফেমিলি ৱেলফেয়ারগী দিরেক্তর ডাঃ কে রাজোনা প্রসিদেন্ট, রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাত্রিক্কী ঐচ ও দি অমদি আই পি এসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা প্রোঃ এন হেরামনি, জেনিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাত্রিক্কী ঐচ ও দি প্রোঃ এস ঐচ জ্ঞানেশ্বর শর্ম্ম অমদি মণিপুর ষ্টেট মেন্টেল হেলথ ওথোরিটিগী মেম্বর অমদি ফেমিলি ৱেলফেয়ার মণিপুরগী রিটয়ার্দ দিরেক্তর ডাঃ এল শুরচন্দ্রানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা প্রোঃ এন হেরামনিনা 'ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ দে' গী থৌরম অসি হৌখিবা চহী ১৯৯২ দগী হৌদুনা মালেম পুম্বদা পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসি গ্লোবেল হেলথ এদুকেসনবু প্রমোট তৌনবা অমদি মেন্টেল ইলনেস লৈরিবা ময়াম অদু মীয়ামদা এৱার্নেস পীনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রদুনা মণিপুরদসু থৌরাং অসি অহানবা ওইনা হৌখিবা চহী ২০০০ দগী ইন্দিয়ান সাইক্যাত্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিল্লগা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মণিপুর ষ্টেট মেন্টল হেলথ ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি ডাঃ মেরী হাওবম্না শিজোফ্রেনিয়াগী মতাংদা পল্লদুনা শিজোফ্রেনিয়া হায়বসি ব্রেন্দা য়াওরিবা কেমিকেলশিংগী চাং মান্নদবা লোয়ননা ইশাগী থবক থৌরম অমদি সমাজগী থবক থৌরম অমত্তা তৌবা ঙম্লক্তবা অদুগুম্বা ৱাখল পুক্নিংগী অনাবা অমনি হায়খি।

লায়না অসিনা নারবা অনাবশিংদা অরানবা মীৎয়েং য়েংবীরোইদবনি। মণিপুরগুম্বা থৌদোক ৱাথোক য়াম্না থোক্কনবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফত্তবনা লায়না অসি লাকহন্নবগী মচাক অমসু ওই। অদুবু লায়না অসিনা নারবা শিং নিংথিনা লায়েংবীদুনা অমদি রিহেব্লিটেসন থেরাপি লোয়ননা ইমুং মনুং, মরুপ মপাং অমদি সমাজগী মতেং কয়াগা লোয়ননা শিজোফ্রেনিয়ানা নাবা অমবু মহাক্কী মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহনবা ঙম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মণিপুরগী ইন্দিজিনস পোৎথোকশিং লাইনা ফংহন্নবা ৱেব সাইট অমা লোঞ্চ তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* লমদম অসিগী ইন্দিজিনিয়স পোৎলমশিং ওন লাইন্দা ফংবা য়ানবগীদমক্তা ঙসি নুংথিল অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা mykeithel.com হায়না কৌবা ৱেব সাইট অমা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) গী প্রসিদেন্ট ৱাংখেমচা শামজাইনা চিফ গেষ্ট ওইদুনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ৱেব সাইট লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা ফোর্মর ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস শারাংথেম দীনোকুমার অমসুং মণিপুর সরকারগী দিরেক্তর ওফ প্রোজিক্যুসন এন জি তেজকুমারনা মথংশিৎনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এম এস মায়কৈথেলগী প্রোপাইটর শোরাইশম থাঙম্বা খাবানা মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা মণিপুরী মচাশিংনা ঐখোয়গী ইরমদমদা ফংজবা পোৎলমশিং মরু ওইনা ঙারি, শোইবুম, উ-মোরোক অমসুং ঙা-অয়াইবনচিংবা চানিংলকপা মতমদা মণিপুরগী মপান্দা ফংবদা অৱাবা ওইরিবা অসি ওন লাইন সোপ্পিংগী মতেংনা ফংবা য়ারগদি অৱাবা অদু খরামখৈদি কোকপা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোন্দগী ৱেব সাইট অসি লোঞ্চ তৌবনি হায়খি।

ৱেব সাইট অসিনা মণিপুরদা হৌগৎলক্লিবা অমদি তুংদা থোক্লক্কদৌরিবা ইন্টরপ্রেনরশিং মরুওইনা মশানা শেমজ-শাজবা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী পোৎলমশিং হেন্না মশক থোক্না মরুওইনা মণিপুরী নৎতবা মীওইশিংদা খঙহনবা অমসুং মশা মশাগী থোংজিন্দা ফংহনবসু ঙম্লগনি হায়খি।

মাই কৈথেলগী নুংগী ওইবা ৱারোলসি 'এম' না 'মণিপুর' 'ৱাইনা য়ুথ' হায়বনি অদুগা কৈথেলনা মার্কেট হায়বনি। অপুনবদা মণিপুর য়ুথ মার্কেট হায়বনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক্কী মতমসিদদি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী মতেংনা অপাম অপাম্বা পোৎশিং মশা মশাগী থোংজিন্দা ফংবা ঙম্নরবনি। মরু ওইনা য়ুথশিংনা ওনলাইনগী খুৎথাংদা অপাম্বা পোৎ লৈনরবনি। অসিগুম্বা ওনলাইন সোপ্পিংগী মওংসিনা মমল নাইদ্রবা মতমবু মাংহন্দনা অমসুং অহেনবা পৈশা তিংহন্দনা মশাগী অপাম্বা পোৎ লৈবগী খুদোংচাবা মীয়ামদা ফংহনবসি মাই কৈথেলগী মরুওইবা অপাম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থৌরম অদুদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা অমজুগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু শামজাইনা www.mykeithel.com হায়না মিংথোনবা ৱেব সাইট অদু লোঞ্চ তৌখি।

## কমিসন তৌখ্রে

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দি সি ওফিসকী কাউন্টিং হোলদা হিয়াংলম কেন্দ্রগী রিটর্নিং ওফিসার টি ঐচ রঞ্জিৎ সিংহগী মীৎয়েং মখাদা কেন্দ্র অসিগী মরক্কী মীখল ওক্টোবর ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শিজিন্নগদবা ই ভি এম মেছিনশিং কমিসন তৌখ্রে।

অমরোমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসি শান্তি ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক ঙসি দি সি থৌবাল কে এস ঐচ লেম্বা সিংহনা চিয়ারমেন ওইদুনা মহাক্কী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

## সিট ইন প্রোটেষ্ট

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* ওক্টোবর ৮ দা রিক্যুজিট ক্বালিফিকেসন স্কেল, হায়র স্কেলগা মরি লৈননা এক্সন কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না ওক্টোবর ১৩ দগী ১৪ ফাওবা কৈশামপাৎ জঙ্কসন্দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা রিক্যুজিট ক্বালিফিকেসন স্কেল, হায়র স্কেলবু ষ্টেট কেবিনেটনা হায় পৱার কম্মিটিদা থাবীদুনা থিজিলহল্লবা মতুংদা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌবীদবনা মরম ওইদুনা সিট ইন প্রোটেষ্ট অসি পাঙথোক্কনি হায়না ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচরস এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

## ইরাবত ভাবন্দা পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* ওক্টোবর ১৫ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভারত শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা চার্টর ওফ দিমান্দশিং অসিগী মনুং চন্না মণিপুরগী ওইনদি ফীভম্না য়াদবনা ওক্টোবর ১৩ দা ইরাবত ভাবন্দা অয়ুক পুং ১১ দা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ অসিদা তানগদৌরিবা চার্টর ওফ দিমান্দশিং অদুদি, মরম চাদনা পোৎ-চৈগী মমল হেঙ্গৎলকপা থিংউ। এম জি এন আর ই জি এ গী নুমিৎ ১০০ নি অসি মপুং ফানা পাঙথোকউ। খুৎশুমল লুপা ৪০০ দা হেঙ্গৎলু। ইন্দিরা অৱাজ য়োজনাগী মখাদা য়ুম শাবগী শেল্লুং লুপা লাক্ষ ৩ ফংহল্লু। এগ্রিকলচরেল ৱার্কশিংদা (শিলং লৌমী) থাগী ওইনা ওল্ড এজ পেন্সন লুপা লিশিং ৩ ফংহল্লু। পি দি এসকী পোৎলমশিং মপু ফানা থা থাগী ওইনা ফংহল্লু হায়বশিং অসিনি।

মণিপুরগী ওইনা হায়রিবা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা লৌমী খুদিংমক্না মতম চানা শরুক য়াবীয়ু। নুমিৎ অসিদা লৌমী ইচিল ইনাওশিংনা অচিনবা লৈরবসু থাদোকপীয়ু হায়না মণিপুর শিলং লৌমী লুপকী চেরোল অমনা হায়রি।

## চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ফুরুপ অসিবু মীনম্বনি

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* সনামহি তেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মেরা হৌ-চোংবগী থৌরমদা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা গোবিন্দজি তেম্পল বোর্দ থার্দ এমেন্দমেন্দ বিল ২০১৪ গী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি মৈতৈ ফুরুপ অসি অপংবা শিবা অমদি ফুরুপ অসিবু মীনম্বনি হায়না কংলৈ ইনাৎ লমজিং লুপ (কিল) গী চেরোল অমনা হায়রি।

হাওসতা পাস তৌখিবা সরকারগী বিল অদুবু গভর্নরদগী ৱিদ্রো তৌগদবগী মহুৎতা এসেন্ট পীবিদনবা হায়জখ্রে হায়বসি চৎনদবা ৱাফম অমনি। চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি য়াম্না চমম্নবা অমসুং ৱাহম্বোক লৈহন্দবা ৱাফমনি। সরকারগী বিল অসি হন্দাকউ হায়না মীয়াম্না হায়জরিবা ৱাফম অসি নাকোইনরগা উমং লাই য়োম্বোক্নবগী মওংদা থল্লক্লিবা সি এম ৱাহৈশিং অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

অমরোমদা পোইরৈ ইপা নাৎ ইপুনাৎ খোঙ্গুল লিবা লুপকী চেরোলনা হায়, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী সেন্টিমেন খঙবীরগা বিল অসি হন্দোকপীয়ু। ইহৌ অসিবু লুচিংলিবা উকলগা ফমীন্নদুনা অফ-ফত্ত খঙমীন্নরগা য়ামীন্নবা পুরকপীয়ু। নত্রগদি মপা মপু লুখা থানবা হোৎনবগী পেন্দবা কয়া অসি মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিটিনা থিংবা ঙম্লক্লোই। নাইতোম ওইবা খোঙজংশিংনা সরকার অমদি সি এম কোক চিক্কনি। কনাগুম্বা অমত্তনা শেন্দোংগী খল্লগা সঙাই ফেষ্টিভেলগী থৌরাং তৌবীগনু। শক্তম মাংহল্লবা, মচৎ নমথবীরবা ফুরুপ অমগী মফমদা সঙাই ফেষ্টিভেলনা করেম্নরিবসি ইশা ইশাদা ওনশিল্লক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

অমরোমদা অমুক পোইরৈ চনুরা শিনাইবী লুপ কোনুং মমাংগী চেরোল অমনা হায়, ইপা ইপু উমং লাই লুখা থানবা হোৎনরিবা অসিদগী কনজহৌনবা ইহৌ অসি ওক্টোবর ১৩ দগী হেন্না কনশিন্নবা হোৎনগদৌরিবা অসিদা উকলনা শিন্নরকপা শিহ্নশিং মাংজিল থানা পাঙনবা লুপ অসিনা ফিরেপ লৌরে। সঙাই ফেষ্টিভেল থিংগদৌরিবসি মায় পাক্না থিংনবা হোৎনবদা নিংহন্নরোই। মীয়াম্নসু মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল অসিগীদমক মখল অমত্তগী থৌরাং তৌবীগনু। কনাগুম্বা অমত্তনা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবা হোৎনবীগনু। অথিংবা অসি থুগাইদুনা শরুক য়ারবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্য খুদিংমক মশা মশানা পুজগদবনি হায়রি।

## কুমওন পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* পাঙল ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি এস ও) মণিপুরগী ৬ শুবা কুমওন থৌরম ওক্টোবর ১২ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। ওর্গনাইজেসন অসিগী কুমওন থৌরম্না লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না পি এস ওগী চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা মণিপুরী ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ১৬ শুবা কুমওন থৌরম ওক্টোবর ১৩ দা য়াইস্কুলদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা লুপ অমত্তনা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা পাঙথোকপীগনু হায়না এম এস এফকী চেরোল অমনা হায়রি।

## ত্রেনিং পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* নেহরু য়ুবা কেন্দ্র ইম্ফালনা শিন্দুনা নুমিৎ ৩ নিগী ওইবা লিদরসিপ এন্দ কম্যুনিটি দিভলপমেন্টগী প্রোগ্রাম ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱান অমদি টুদা পাঙথোক্লগনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা নহারোলশিংনা য়ুথ ক্লব অদি মহিলা মন্দলগী খুৎথাংদা এন ৱাই কে ইম্ফাল ৱেষ্টতা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মিং চনবা য়াগনি হায়রি।

## জে এ সি শেম্লে

*ইম্ফাল ওক্টোবর ১০ঃ* ওক্টোবর ৬ কী অয়ুক পুং ৪ দা ৱাংজিং তেন্থা ইন্টরভিলেজ রোদতা এম দি নাসিম খান অপোকপা এম দি হতিমালি সঙাই য়ুম্ফম পুল্লেপোকপী মখাদা লৈবগী ষণনা চেন্দুনা শোক্লবা নাওরেম দেবীকা দেবীগী মতাংদা জে এ সি অমা শেমখ্রে হায়না এস ৱাই দি ও তেন্থগী চেরোল অমনা হায়রি।

**In the Court of the Sub-Deputy Collector, Nambol**

*Mutation Case No. 512/SDC/NBL of 2014*

Loitongbam Ngando Singh, S/o (L) L. Herando Singh of Kongkham.

. . . Petitioner

-Vrs-

Late. Loitongbam Herando Singh, S/o (L) L. Dhan Singh of Kongkham.

. . . O.p.pattadar

NOTICE

Dt. 9/10/2014

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা মৃঃ পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লৌফম Village No: 22-Naorem , U/Patta No. 557 (New) Dag No. 1319 area 0.57 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা দংকারিনা মাগী মমিংদা লম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭(তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল উক্তা কোর্ট অসিদা পীশনবীরক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনববী মতুং ইন্না কেশ মখা চৎখ্রগনি

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
*Nambol*

NT/62135/11(Oct)

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR HEINGANG, IMPHAL EAST**

Ref: Mutation Case. No. 1017/SDC/Hng/IE/2014

Waikhom Debendro Singh S/o (L) W. Babu Singh of Khabam.
... Petitioner

-Vrs:-

(L) Waikhom Babu Singh S/o (L) Pheijao Singh of Khabam.
...O.P

**NOTICE**

Date10/10/2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদিঃ- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং 4-Achanbigei দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং 361 (old) অনৌবা পাট্টা নং 468 (new) দাগ নং 1248 এরিয়া .60 acre (Phourel) একর চাওবা লম অসি পাট্টাদার মৃতুঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মচানুপা অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector**
Heingang, Imphal East, Manipur

NT/62148/11

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR**

Ref: Mutation Case. No. 724/SDC/(P) of 2014

Ahongshangbam Upendro S/o (L) Nodiyachand Singh 2) A. Uttamkumar Singh S/o -do- all of Khurai Chaithabi Leikai.
... Petitioners

-Vrs:-

A. Nodiyachand Singh S/o A. Jugol Singh of Khurai Nandeibam Leikai.
...O.P.s

**NOTICE**

Porompat, the 10 Oct, 2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদিঃ- Imphal East Porompat Circle গী Village No. 15-Khurai Sajor Leikai গী Patta No. 232 (অরিবা) 212 (অনৌবা) C.S. Dag No. 135 an area 0.02 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/-**Sub-Deputy Collector**
Porompat, Imphal East, Manipur

NT/62147/11

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR**

Ref: Mutation Case. No. 726/SDC/(P) of 2014

Nando Toijamcha S/o (L) Hajur Singh of Thambalkhong Sabal Leikai.
... Petitioner

-Vrs:-

Toijam Chonbi Singh S/o (L) Ningthouba Singh T. Hajur Singh S/o T. Chonbi Singh.
...O.P.s

**NOTICE**

Porompat, the 10 Oct, 2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদিঃ- Imphal East Porompat Circle গী Village No. 29- Top Naoriya গী Patta No. ... (অরিবা) 48 (অনৌবা) C.S. Dag No. 143 an area .42 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 and 2 অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 and 2 গী মহুৎতা মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/-**Sub-Deputy Collector**
Porompat, Imphal East, Manipur

NT/62147/11

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST-SALAM**

Ref: Mutation Case. No. 437/2014 Dt. 10/10/2014

1) Heigrujam Jugindro Singh S/o (L) H. Leinou Singh of Sagolband Nepra Manjor Leikai. 2) -do- Tomba Singh S/o (L) -do- of -do- 3) -do- Ningol Shanta Devi W/o Moirangthem (O) Ramesh Singh of Sagolband Sayang.
... Petitioners

-Vrs:-

(L) Heigrujam Leinou Singh S/o (L) H. Bokul Singh Nepra Menjor Leikai.
... O.P.s

**NOTICE**

The 10 th Oct. 2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খঙহঞ্জরি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার হৈগ্রুজম লৈনৌ সিংহ পীং মৃঃ বোকুল, সাং শগোলবন্দ নেপ্রমেঞ্জোর লৈকাই গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নং ৬৮- অতোম খুমন গী অনৌবা পাট্টা নং ৬৮ /৩৯ দাগ ১৯ অমসুং এরিয়ানা ৩.২১ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরি লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Salam, Imphal West

NT/62145/11

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR**

Ref: Mutation Case. No. 725/SDC/(P) of 2014

Ahongshangbam Upendro S/o (L) Nodiyachand Singh 2) A. Uttamkumar Singh S/o -do- all of Khurai Chaithabi Leikai.
... Petitioners

-Vrs:-

A. Nodiyachand Singh S/o A. Jugol Singh of Khurai Nandeibam Leikai.
...O.P.s

**NOTICE**

Porompat, the 10 Oct, 2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদিঃ- Imphal East Porompat Circle গী Village No. 15-Khurai Sajor Leikai গী Patta No. 232 (অরিবা) 28 (অনৌবা) C.S. Dag No. 135/634 an area .26 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/-**Sub-Deputy Collector**
Porompat, Imphal East, Manipur

NT/62147/11

**M/S BEE BRICK FIRM**

**Wangjing Sabal Checkon Leikai**

***Near Khongjom War Memorial Gate***

| Class | Rate | No.Brick | Amount | Gari Charge | Labour Charge | Total Amount |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs.9.00 | 3000 | Rs.27,000 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.30,600 |
| 1st | Rs.9.00 | 2000 | Rs.18,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.20,400 |
| 1st | Rs.9.00 | 1500 | Rs.13,500 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.15,350 |
| 2nd | Rs.8.20 | 3000 | Rs.24,600 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.28,200 |
| 2nd | Rs.8.20 | 2000 | Rs.16,400 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.18,800 |
| 2nd | Rs.8.20 | 1500 | Rs.12,300 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.14,150 |
| Rej | Rs.7.50 | 3000 | Rs.22,500 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.26,100 |
| Rej | Rs.7.50 | 2000 | Rs.15,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.17,400 |
| Rej | Rs.7.50 | 1500 | Rs.12,250 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.13,100 |
| PT | Rs.6.50 | 3000 | Rs.19,500 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.23,100 |
| PT | Rs.6.50 | 2000 | Rs.13,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.15,400 |
| PT | Rs.6.50 | 1500 | Rs.9,750 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.11,600 |
| 3rd | Rs.3.50 | 3000 | Rs.10,500 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.14,100 |
| 3rd | Rs.3.50 | 2000 | Rs.7,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.9,400 |
| 3rd | Rs.3.50 | 1500 | Rs.5,250 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.7,100 |
| Chektek | 4071 Load | | 4200 | 1500 | 350 | 6050 |

Contact: 1. Bikom : 9856479022, 2. Kanta : 9615839170, 3. Yaima : 9615002257. , 4. Ratan : 9856916762

NT/62072/22/4to 20 Oct.

**DELTA Home Tutorial**

*Sagolband Salam Leikai, Imphal - near Lairembi*

**The most trusted Home Tutor Service in Manipur**

**We provide well Experienced Teachers**

**Features:**

- Seperate Faculties for all Boards (class 1 to 12).
- Selected qualified teachers for Medical, Engineering, BCA, MCA, MBA & other Degree Courses.
- Provide counselling & motivational class.
- Individual attention provided to enhance the skill & knowledge of the student & result oriented.

**For Details Please Contact :**
**# 9056100063, 8131882971**
**Office Timing**
**(9.30am to 4.30pm) &**
**Sunday**
**(10.00am to 3.30pm)**

***We Serve You for a Better Tomorrow***